ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

# হুইয়েন লানপাও

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




অসাম রাইফলসনা মল্টি দিষ্ট্রিক্ট হেল্থক্যের আউটরিটচকী মখাদা মন্ত্রিপুখ্রি অমসুং কৈথেলমানবীদা টি বি মুক্ত-ভারত অভিয়ান ১০০ দেজ কেম্পেন পাঙথোক্তুনা লায়না অসিগীদমক হেল্থ চেক-অপ পাঙথোকখিবা


থম্মায় পাউদম : পূন্সি-শক্তম, শিনফম ...৭ ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ উচিশিংগী কেন্সরবু মপূং ফানা ...
'শীংনরকপা পূম্নমক থেংনগদবনি' ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ নর্স খূদিংমক মীওইবগী পূন্সি কন্নবা ...
বি জে পি লৈঙাক্না মহৈরোয় লাখ ২২... ☛ লামায় ৮
লামায় ১০ ☛ শামুরৌ চিগোং ত্রোফিঃ খুমন...


কংলৈপাক মেদিকেল এন্দ নর্সিং ইন্সটিট্যুটনা 'অৱর নর্সেস, সেভ লাইফ স্ক্রিনিং টুদে, সেভিং টুমোরো' হায়বা পান্দমদা পাঙথোকপা ইন্টরনেশনল নর্সেস দে হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা





Vol. 51, Issue No. 49 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং - ৩৪২৪ য়ূমশকৈশা, কালেনগী ২৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, May 13, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## কামজোং দিষ্ট্রিক্টক্কী চছাদ পি এসতগী কিলোমিটর ৫০ রোমদমক লাপ্পনা ম্যান্মারদা লৈবা মোলনোই কুকি খুলগী য়ূমশিং মৈ থাদোকখ্রে, আই ঈ দি প্লান্ট তৌরম্লে





কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী চছাদ পুলিস ষ্টেশনদগী নোংপোকলোমদা কিলোমিটর ৫০ রোমদমক লাপ্পনা ম্যান্মার মনুংদা লৈবা মোলনোই কুকি খুলগী য়ূমশিং মৈ থাবা (ওই) কসোম খুলেন দিষ্ট্রিক্টকী নমলি খুলগী বোর্দরগা তাইনবা মফমদা কে এন এ-বিনা প্লান্ট তৌরম্বা আই ঈ দি

**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৭কী অঙনবা অয়ূক্তগী হৌরদুনা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা লৈবা মণিপুরগী কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী কসোম খুলেন অমসুং চছাদ পুলিস ষ্টেশনগী জ্যুরিসদিক্সনশিংনা কোনবা নমলি, ৱাংলি অমসুং জেদ চোরো খুলদা ঙমখৈ লান্না ম্যান্মাররোমদগী চঙশিল্লকপা কে এন এ-বি/পি দি এফকী মশীং য়াম্লবা কাদরশিংনা কৈথেল য়াওনা য়ূম-কৈশিং, গাড়ী মচা অমসুং অচৌবনচিংবা মৈ থাদোক্লমখিবা অমসুং মণিপুরদা চঙজফম লৌদুনা লৈরকখিবী ম্যান্মারগী নুপী অমবুসু শোকহল্লম্বগা লোয়ননা খুঞ্জা খরদা নত্তনা গাড়ী অমসুং পোৎ-চৈশিং মুন্দুনা পুখিবগী থৌদোকশিং থোকখ্রবা মতুংদা ম্যান্মারগী ঙমখৈ মনুংদা লৈবা কুকিশিংগী 'মোলনোই খুল' গী য়ূমশিং মৈনা তুম্না থাদোকখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা ফংবা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না য়ূম মৈ থাদোকপগী থৌদোক অসি মণিপুরগী কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী চছাদ পুলিস ষ্টেশনদগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## গভর্ণর এ কে ভল্লানা অমিট শাহগা উন্নদুনা মণিপুরগী সিক্যুরিটিগী ফীভমশিং কূপ্না খন্নখ্রে



**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৭তগী মণিপুরগী মপান্দা লৈরক্লিবা গভর্ণর এ কে ভল্লানা ঙরাং ন্যু দেল্লীদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা উন্নদুনা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা সিক্যুরিটিগী ফীভম অমসুং লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পায়খৎকদবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংগী মতাংদা কূপ্না খন্ন-নৈনখ্রে হায়রি।

গভর্ণরনা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা উন্নদুনা মণিপুরগী মতাংদা মরী লৈনবা ৱাফমশিং পুথোক্তুনা খন্নবদা ষ্টেট অসিগী ওইনা অতোপ্পা ওফিশল অমত্তা য়াওখিদে। মহাক মথন্তনা হোম মিনিষ্টরগা উন্নখিবনি হায়রি।

য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু অতোপ্পা ওফিশলশিং য়াওখিদে। ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মকোক থোংবা লুচিংবা অনীনা পুথোক্তুনা খন্নবদা চৎলিবা চহীসিগী ফেব্রুৱারী ৪,২০২৬তা মণিপুরদা চৎনহল্লম্বা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক লৌথোক্লবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা লুচিংদুনা লিংলক্লিবা লৈঙাক অসি লৈরকপদগী করি-করম্বা হীরমদা অহোংবশিং লৈরবগে অমসুং পুরক্লবগে হায়বগী মতাংদসু কূপ্না খন্নখি।

মীফম অসিনা খ্বাইদগী মরু ওইনা খন্নখিবা ৱাফম্না মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎহন্নবা করি-করম্বা থবকশিং লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদনি হায়রি।

হীরম অসিগা লোয়ননা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## ফীভম ফগৎলক্ত্রিবা ফাওবদি চীফ মিনিষ্টরনা কুকি-জোগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লাক্লোইদবনি : কুকি ইনপি মণিপুর

**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস) :** চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা থা অসিগী ১৫দা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা লাক্কনি হায়বা খঙলে হায়রদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেন্টর ওইরিবা কুকি ইনপি মণিপুরগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেশন জাংহাওলুন হাওকিপনা ঙসি থোকপা চেরোল অমদা কুকি-জোগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লাক্কনি হায়রিবা থৌরাং অসি মফমশিং অসিদা শাফবা ওইদ্রিঙৈ অমসুং ৱাহন্থোক লৈরোইদবা ফীভমগা লোয়ননা মীয়ামগা উন্নদুনা ৱারী শানবগী ফীভম য়াদ্রিবা ফাওবদি য়ৈথোকপনা ফগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কুকি ইনপি মণিপুর অমসুং মসিগী এফিলিএশন তৌরবা লূপশিংনা কুকি-জো মীয়ামগী পোলিটিকেল দিমান্দ অসিবু খন্নদ্রিবা ফাওবদি মণিপুর লৈঙাক্কী খোঙচৎ খুদিংমক বোইকোট তৌনবা ফিরেপ লৌরে হায়রি।

মরম অসিনা কুকি-জো মীয়ামগী অনীংবা অপান্বশিং খঙদবা মরু ওইনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশনগী দিমান্দগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং খন্নদ্রবদি থাজনদবা হেনগৎহনবগা লোয়ননা তুং কোইনা ঈং-তপ্পা পুরকপদা খুরৌ থাংগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### বোম ফিট তৌরমখিবা ত্রোংলাওবীগী ইমুং ২গী য়ূম্বুশিং অমসুং খুঞ্জাশিংগী ৱাকৎ

## সিক্যুরিটিনা কোয়শিন্দুনা ঙাক শেল্লগা করম্না বোম ফিট তৌরম্বনো : রম্বো




ত্রোংলাওবী মনীং লৈকায় গুরু খানাগী বোম ফিট তৌরমখিবা য়ূম অনীগী য়ূম্বু কোঞ্জেংবম রম্বো মহাক্কী লোয়নবী ঙান্থোই (১), নিংথৌজম সোমেন্দ্রোগী মচানুপা মালেমঙানবা (২), ত্রোংলাওবী মখা লৈকায়দগী কোঞ্জেংবম বোরনি (৩) অমসুং ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায় ৱার্দ নম্বর ৬কী হান্নগী প্রধান এল মঙ্গি (৪)

অল্কা থোকচোম

**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ৬ অমসুং ৭কী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুংদা ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায় ৱার্দ নম্বর ৬তা লৈবা মঙালঙম্বা ওইনামগী ইমুংদা মপাঙ্গল কল্লবা বোম অমা কাপশিল্লক্তুনা পোকখায়হল্লগা মমানা নাওকোন্দুনা তূম্লিবা চহী ৫ খক্তা ঙাইরিবা তোমথিল অমসুং মচন্নুপী য়াইস্না বোম মচেৎনা পানবদগী লৈখিদবা অমসুং অঙাং অনীগী মমাবুসু শোকহনখিবা থৌদোক থোকখ্রবা মতুং ঙসি তোমথিলগী লান্ন-থৌরম পাঙথোক্কদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈ ঙরাং (মে ১১,২০২৬) লৈকায় অসিগা ইরাপ লাপ্পদনা লৈরিবা ত্রোংলাওবী মনীং লৈকায় গুরু ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## ৱাংলিদা খুঞ্জাশিংনা এ আরগী গাড়ী চৎহনখিদ্রে এ আরনসু সংসক খুল্লেনদা মীয়ামগী গাড়ী থিংখ্রে



**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৭কী অয়ূক্তা ম্যান্মাররোমদগী লাকপা কে এন এ-বি/পি দি এফগী খূৎলায় পায়বশিংনা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী নমলি, ৱাংলি অমসুং জেদ চোরো খুলদা তমথীরবা এটেক চথুরমখিবা মতমদদি ইরাপ-লাপ্পদনা অসাং খুল্লেন পোষ্টতা লৈবা অসাম রাইফলসশিংনা করিসু তৌখিদে হায়দুনা পেন্দ্রবা খুঞ্জাশিংনা ঙসি ৱাংলি খুলদা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ তম্না লাকখিবা এ আরগী গাড়ীশিং থিংদুনা চৎহনখিদ্রে।

লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিনখিবা খুঞ্জাশিংনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## সেন্সস তৌদ্রিঙৈদা এন আর সী চৎনহনগদবনি হায়দুনা চরা হেল্লকখিবী জেনিফর খাইদেম রিমসতা লায়কন্নরি



**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস) :** গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিদা সেন্সস পাঙথোক্লগনি হায়দুনা শেম শারকপগী মতুংইন্না মফম খরদা মসিগী থবক থৌরমশিং হৌরকপগা লোয়ননা মণিপুরদসু ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লাক্লিবা চহীসিগী সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোক্কনি ফোঙদোরকখ্রবা মতুংদা ষ্টেট অসিগী ওইনদি সেন্সস পাঙথোক্ত্রিঙৈদা এন আর সী চৎনহনগদবনি হায়বগী দিমান্দ তৌরদুনা থা অসিগী ৩দগী শিদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লক্লিবী জেনিফর খাইদেমগী হকচাং শোকচিল্লকপদগী জে নিমসতা লায়কন্নরি।

মশাগী চহী ৩৮ ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## ত্রোংলাওবী মনীং গুরু খানা এরিয়াদগী বোমগী মচাকশিং ফংলে : পুলিস

**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস):** ঙরাং সিক্যুরিটি ফোর্সনা ত্রোংলাওবী মনীং গুরু খানা এরিয়াদগী আই ঈ দি অমা রিকোভর তৌরে হায়না ঙসি পুলিস কন্ট্রোল রুমদগী থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।




চেরোল অসিগী মতুংইন্না রিকোভর তৌরিবশিংনা বেট্টরি মঙাগা কোন্নবা ৱায়রলেস কন্ট্রোল রিলে স্বিটচ অমা, গন পাওদর য়াওবা প্লাষ্টিক পৌচ ৬, মিটর ১২.৭৫ শাংবা অঙাংবা ৱায়র, মিটর ৩৩.৮৭ শাংবা সেফটি ফ্যুজ ৱায়র, দিটোনেটর ২ অমসুং সেন্টিমিটর ২০৮গী অঙৌবা ইলেক্ট্রিক ৱায়রনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, আই ঈ দি অসি লান অসিনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা মীওই অনীগী য়ূমদা পোকখায়হন্ননবা ফিট তৌরম্বদগী পুলিসকী বোম দিস্পোজেল স্কৱাদনা দিফ্যুজ তৌখিবনি।

## পোপি পাম্বী থাবা থিংলুবা সোশল ৱার্কর অমগী য়ূম শিদোক্লম্লে



**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস) :** চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী দম্পি খুলগী সর্ভে লেন্দগী এরিয়াদা পোপি পাম্বী থাদনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা তক্লরকখিবা হৌজিক্না চেংকোনপাংদা লৈবা সোশল ৱার্কর জমখোলাল লুংদিম (৬০), অপোকপা লৈখিদ্রবা চুংগম লুংদিমগী য়ূম লালবোই কৌবা মীওই অমনা লুচিংবা কাঙবুনা শিদোক্লগা পুবিখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা জমখোলালনা পাউচে অসিদা হায়, ঙরাং ঐহাক্না অয়ূক পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## মে ৩দা পাঙথোকখিবা এন ঈ ঈ টি-য়ু জি ২০২৬কী এগজামিনেশন কেন্সেল তৌখ্রে

**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস):** নেশনল টেষ্টিং এজেন্সী (এন টি এ) না শীন্দুনা থা অসিগী ৩দা লৈবাক অসিগী মফম শিনবা থুংনা পাঙথোকখিবা এন ঈ ঈ টি-য়ু জি-২০২৬কী এগজামিনেশন অদুদা ক্বেশন পেপর অমা লিক ওইখি অমসুং অতোপ্পা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকখি হায়বগী ৱাকৎ থাঙ্গৎনরকপদগী এন টি এনা পাঙথোকখ্রিবা এগজামিনেশন অদু চৎনররোই হায়দুনা কেন্সেল তৌখ্রে।

ৱাকৎ অসিগা মরী লৈননা থিজিন্নবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেশনদা খঙহনখ্রে।

পনবা য়াবদি, এগজামিনেশন অসি লৈবাক অসিগী মনুং অমসুং মপানগী সেন্টর ৫৪৩২দা মহৈরোয় লাখ ২২ হেনবনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবনি। কেন্সেল তৌরবা এগজামিনেশন অসিগী নৌনা পাঙথোক্কদবা মতম কোন্না খঙহল্লক্কনি হায়রি।

### দেঙ্গীগী কেস ৩০

**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস):** দিরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেসতগী ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা দেঙ্গীগী পোজিটিভ কেস অমা থেংনখিবগা লোয়ননা চহীসিগী ওইনা ঙসি ফাওবদা লায়না অসিগী থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ৩০ শুরে হায়রি।

### য়ু জি ৪ ফারে

**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা কোংপাল চীঙ্গাংবম লৈকায়দগী খুলেম শ্যাম (২৩) কৌবা কে সী পি-পি দব্লিয়ু জিগী কাদর অমা লাঙ্গোল লাইমনাইদগী ফারে।

এন আর এফ এমগী চুড়াচান্দপুরগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## চহী ৩ হেন্না লাঞ্জেন্নরক্লবসু লৈঙাক্না ঐখোয়বু ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিলহনবা ঙমদ্রি : অয়েকপম খোমৈ

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী

হকথেংনবা পাউদম

মোরে ৱার্দ নম্বর ৭ হেনৌমখোঙদগী খুঞ্জা

**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস) :** মে ৩,২০২৩দগী মীতৈদা অতম্ননা ওনশিন্দুনা চথুরকখিবা মণিপুরগী তমথীরবা লান অসি হৌরকপা মতমদা লৈরমখিবা মণিপুর মীয়ামগী লৈঙাক, লৈঙাক অদুবু ফেব্রুৱারী ৯,২০২৫দা রিজাইন তৌহল্লগা ফেব্রুৱারী ১৩,২০২৫দগী হৌরগা ফেব্রুৱারী ৪,২০২৬ ফাওবা থল্লকখিবা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক অমসুং ফেব্রুৱারী ৪,২০২৬তা প্রসিদেন্টস রুল লৌথোকখিবগা ৱাশক লৌদুনা লিংলক্লিবা মণিপুরগী অনৌবা লৈঙাক্না তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লাঞ্জেল্লক্তুনা চঙজফম লৌরক্লিবা আই দি




পিশিংবু থেঙ্খাং কয়ারক্তা মশা-মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহল্লগনি হায়বগী ৱাশক কয়া মীয়ামদা শকখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা থবক ওইনা ওন্থোরক্তবদগী পাউচে অসিনা লান অসি হৌরকপদগী হৌরদুনা লাঞ্জেন্নরক্লিবা মীওইশিংগা উন্নদুনা মখোয়গী অনীংবা-অপান্বশিং অমসুং মায়োক্লবা অৱাবা-খুদোংথীবশিং খঙদোক্তুনা মীয়ামদা 'হকথেংনবা পাউদম' গী মখাদা লেপ্তুনা পাউদল্লকপগী মখা তারকপদা ঙসিসু মশাগী চহী ৫০ রোম শুরবী অয়েকপম খোমৈ, মপুরোইবা এ ইবোমচাগা হকথেংননা উন্নখি।

মহাক মোরে ৱার্দনম্বর ৭ হেনৌমখোঙদগী লান অসিগী তমথীরবা থৌদোকশিংগী মনুংদা য়ূম মৈ থাবনচিংবা হৌরকপদগী থৱায় হিংনবগীদমক লাঞ্জেল্লক্তুনা হৌজিক ফাওবা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা মথং-মথং চঙজফম লৌদুনা হিংলক্লিবীনি। পাউচে অসিদা মহাক্না হায়,... (মথং-মথং)

## থোঙ্গালদা গ্রেনেদ ২ লৈরম্লে

**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ূক অঙনবা পুং ৫.৪৫ রোম তারকপদা পোরোম্পাৎ পি এসনা কোনবা ব্রহ্মপুর গুরুঅরিবম লৈকায়দা লৈবা গুরুঅরিবম ভবানন্দগী থোঙ্গালদা পোইন্ট ৩৬কী হায় এক্সপ্লোসিভ হেন্দ গ্রেনেদ অনী লৈরম্লে হায়রি।



ভবানন্দ হায়রিবা মীওই অসি এদভান্স হোস্পিটাল এন্দ রিছর্স ইন্সটিট্যুটকী দিরেক্টর ওইরিবনি। য়ূমগী মীওইশিংনা ঙসি অয়ূক গেট হাংদোক্লুবদা বোম অনী অসি অমুবা মচুগী পোলিথিন খাও অমগী মনুংদা য়াওরগা লৈরম্বদগী চিংনদুনা হাংদোক্তুনা য়েংলুবদা লাষ্ট ৱার্নিং হায়না থাবা চে মচেৎ অমগা কোন্ননা বোম অনী অসি য়াওরমখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী পোরোম্পাৎ পুলিসনা য়েংশিল্লবা মতুং ঙসি অয়ূক পুং ৯.১০ রোম তারকপদা পুলিসকী বোম দিস্পোজেল স্কৱাদনা পোকখায়হন্দনা লৌখৎলগা পোরোম্পাৎ পুলিসতা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## মণিপুরদা এল পি জি, পেট্রোল/দিজল মরাং কায়না লৈরি

**ইম্ফাল, মে ১২ (ঐচএনএস) :** লৈঙাক্কী সী এ এফ এন্দ পি দিগী দিরেক্টরনা ঙসি থোকপা চেরোল অমদা মণিপুরদা এল পি জি অমসুং পেট্রোলিয়মগী অতৈ পোথোকশিংগী মতাংদা অরানবা পাউশিং শন্দোক্তুনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনরে হায়রি।

আই ও সী এল ইম্ফালগী ষ্টেট লেভেল কোওর্দিনেটরদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না মণিপুরদা হৌজিক এল পি জি, পেট্রোল নৎত্রগা দিজলগী অৱাৎপা লৈতে। প্রদক্টশিং অসি ষ্টোকতা মরাং কায়না লৈরি। মরম অসিনা মীয়াম্না এল পি জি অমসুং অতৈ পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং অসিগীদমক মীপাইবীগনু নৎত্রগনা মরম চাদনা য়াম্না লৌশিন্দুনা থম্বীগনু হায়নসু আপীল তৌরক্লি।

করিগুম্বা পোৎলমশিং অসি ব্লেক মার্কেটিং, পৈশিন দুনা থম্বা নৎত্রগা অরানবা পাম্বৈ শীজিন্নদুনা য়োন্নবা হোৎনরম্বশিংগী মথক্তা প্রিভেন্সন ওফ ব্লেক মার্কেটিং এন্দ মেন্টিনেন্স ওফ সপ্লাইজ ওফ ইসেন্সিএল কম্মোদিটিজ এক্ট, ১৯৮০ অমসুং পেট্রোলিয়ম এক্ট, ১৯৩৪গী মখাদা অকনবা এক্সন লৌখৎকনি হায়রি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫